# থাজ ৱারীদা অমুদোননা মপা ইবুংঙো লাইনিংথৌ খল্লাংবগী খোঙ্গুল লীদুনা তখেলদা লাকখিবা

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা থন্বীরম্বা থাজ ৱারীশিংগী মনুংদা অমুদোনগী ৱারীসু মতিক ময়াই লৈবা ৱারী অমা ওইনা শীংথাবা য়াই। ককচীং ফুরুপকী মরু ওইবা উমংলাই ওইনা লাৎনরিবা লাইনিংথৌ খল্লাংবা অমসুং মহাক্কী তালোয় অহল মঙাং নিংথৌগী মমোল্লোই হুইমুলৈমগী মপারীনি হায়না ***খল্লাংবা খুনকুল্লোন, ককচীং খুন্থোক্লোন, খল্লাংবা অমদি ককচীং***নচিংবনা হায়রি। অমুদোনগী মরমদা থাজ ৱারী মতাং অমা পাবুং মোইরাংথেম প্রেমানন্দনা ইবা ***খল্লাংবা অমদি ককচীং*** হায়না মিংথোনবা লাইরিক্তা য়াওরি। লাইনিংথৌ খল্লাংবনা তখেল লমদা তালোয় অতোম্বী তখেল নিংথৌ মমোল্লোই শিজ কালিকা লৌদুনা লৈখ্রবদা মমা হুইমুলৈমগা লোয়ননা অমুদোননা খোঙ্গুল লীরকখিবা অমদি কাইনথংদা মখোয় অহুম থেংনদুনা পুকমেন পাউমেন্নদুনা অহিং অমা লেনমিন্নখিবগী ৱারী য়াওরি। ৱারী অসিদা অমুদোনবু খোয়ুম লাইগী মতিক ময়াই চেনবা চহী মঙা তরুক্কী নুপামচা অমা ওইনা শীংথারি।

অমুদোননা চহী অমখক্তমক ঙাইরিঙৈদা লাইনিংথৌ খল্লাংবদি মরোয় মনাইশিংগা লোয়ননা জিরিদা য়োৎচাক থিবা চৎখি। হুইমুলৈমনা মপারীগা লোয়ননা কংলৈ লম তাকয়েল তেরা খোংবান্দা লৈহৌই। লাইনিংথৌনা মরোয় মনাইশিংগা জিরিদা য়োৎশুং য়োৎশাবগী থবক তৌদুনা লৈরিঙৈদা তখেল নিংথৌ লাক্তুনা লান পাংবীনবা হায়জরম্মী। শা-লান্দা হে শিংলবা লাইনিংথৌনা লান পাংবদগী তখেলনা য়েক্লববু মায়থীবা পীবা ঙমখি। মদুদা পেনমনখ্রদুনা নাইতোম পোকচবী মমোম লাংলেন শিজ কালিকাবু অওং অউন তমদুনা লাইনিংথৌদা থাজখি। অসুম্না মতালোয় শিজ কালিকাগা লোয়ননা তখেলদা লৈখিবা চহী মরি হেনখ্রে। নাকল অমরোমদা কংলৈদা লৈহৌবা মপারী অমুদোননা নোংমা মমান্নবশিংগা শান্নবা চৎপদা মপা লৈতবনি হায়দুনা শান্নবা য়াওহল্লমদে। কপ্লীং কপ্লীং মবুক্লিং নুংশিনা ময়ূমদা হল্লক্তুনা মমান্নবশিংনা হায়রকপশিংদু মমাদা পাউদম্বগা লোয়ননা মমাগা মখোয় অনী অসুম্না ৱারী শানরম্মী-

"ইমা ঐগী পম্থৌ লৈবরা?"

"ইমাগী ইবুংঙো, নঙবু পোকপা পম্থৌ লৈয়ে। মহাক্তি অচম্বা নত্তে কংলৈগী লাইবুংথৌ মাপলগী মনুং চনবা চীংঙু মতিক মঙান চাউবা খল্লাংবনি।"

"ঐনা খঙলকপদগী মশক উবা ফংদ্রি, পম্থৌদো কদাইদা চৎখিবগে?"

"নঙগী পম্থৌদি লৈনুং মোরী য়োৎশুংবা খুনুং তেক তেক থাঙ শাবা হায়না কৌই। মরোয় মনাই ময়ামগা লল্লেন জিরিদা য়োৎ থিবা চৎখিবদগী থোংনাং নিংথৌনা হায়জবদগী থোংনাং লৈবাক্তা লান পাংবা চৎখিবনি। লান লোইখিবা কুইরে, শোয়দনা হল্লক্লগনি।"

"লান লোইখ্রফাওবা হল্লক্তবসিনদি লান্দা শোয়দনা শিরম্লগনি।"

"নঙগী পম্থৌদি শিহৈদবা চীংঙুনি, শোয়দনা কংলৈদা হল্লক্নি।"

"শিহৈদবা ওইরবদি থোংনাং ওন্দুনা লৈথোক্লম্লগনি। ঐখোয় অনী চত্তুনা পম্থৌগী খোঙ্গুল লীরুসি।"

"থোংনাং লৈবাক্তো চীংলোন মাপন্না কোয়শিনবা মৈত্রবাক অসিগী ৱাংমদা নোংচুপ পাংনা চৎলগা লৈবনি। অচৌবা চীংজাউ, অশুকপা উমং-ৱামং, লোক, তুরেল কয়াদো লান্দুনা ইমানা নঙবু পোরগা চৎপা ঙল্লোই। মতম খরা ঙাইখিসি।"

"ইমা, ঐ অসি চীংঙু খোয়ুম লাইগী মচানি। ইমাগী নমগন্দা হাপ্লগা নাহোং অমনা তাদনবা ফাজিনবীয়ু। ইমাদা অরূম্বা অমত্তা পীরোই। পম্থৌ খোঙ্গুল লীরুসি।"

অপোকপা মপাবু উনীংবগী ঈখৌ লাংবা হেনমনখিবনা অমুদোননা মমাদা অদুম্মক নীংঙাই তৌদুনা থোংনাং লৈবাক্তা চৎলুসি হায়না গৃ-গৃ তকশিল্লম্মী। থেম্বদা য়াররোইদবা মচাগী মতৌ উবদা নুমিৎ থবান অফবা য়েংদুনা নোংজুথা মমৈ ওইরকপদা মমা মচা খোঙশানবা হৌরম্মী। নোং তাখিবগী অনানবা মফম কয়া থেংনরবসু অশোয় অঙাম য়াওদনা গ্বাই তুরেল মপান য়ৌখি। মপারীবু পোরগা চীং, পাৎ, তুরেল, লোক কয়া লান্দুনা লাকপদো ইয়াং য়াংনা ফি অমা ইনবগা পাংখক ওইখি। মতৌ অসুম্না চীংঙু খোয়ুম লাইগী মতিক ময়াই চেনবা মচা অমুদোননি হায়বসি মহাক্না খঙবা ঙমখি। নোং তাখিবগী গ্বাই তুরেলদু ঈশিংনা ঈমায় চোল্লম্মী। মদুদা মমা মচা অসুম্না ঙাঙনরম্মী-

"তুরেল অসি ঈশিং চাওবা মরম্না ইমানা নঙবু পোরগা লানবা ঙম্লরোই। ইমাগী ইবুংঙো, য়ূমদা হল্লসি, কুমগী নোং লেপখ্রবা মতুংদা অমুক চৎসি।"

"লাক্নি হায়দুনা লাক্লগা তুরেল লানবা ঙমদদুনা হনখি হায়বদো ময়াম মমাঙদা ইকায়বা ৱানি। ইমা নদোম হান্না তুরেল অসি লান্থোকপীখো। ইমানা ঈৱাংমদা থুংখ্রবা মতুংদা নচাসু চোংজরক্কে।"

অসুম্না হুইমু লৈমদু তুরেল লান্থোকখ্রে। অমুদোনসু পম্থৌ অপোকপগী চেংলৌ শক্তম খঙদ্রবসু পলেম মমানা তাকপীবা শক্তম অদু পাদম লাকচরগা তুরেল চোংবদা পাঙ্গল থৌনা হাপ্পীনবা থৌনিজদুনা চীংঙু মতিক পুথোক্তুনা তুরেল অদু চোংদুনা লান্থোকখ্রে। মপারীগী মতিক ময়াই উবদা হুইমুলৈমদো অদুক্কী মতিক পেঞ্জখি। মমা মচা ঙাইহাক তুরেল মপান্দা পোত্থারগা মচাবু নমদা পোদুনা চৎলবা মতুংদা থোংনাং লৈবাক য়ৌখি। তান চারুদুনা লাইনিংথৌ খল্লাংবগী লুচিং মখাদা লান্মী মকোক ওইবা অৱাং পনঙাকপগী য়ূমদা থুংলুরে। অশেংবা মরী মখোঙ খঙলবদা মমা মচাবু য়ূম অদুদা চঙজফম পীদুনা লৈহনখ্রে। অৱাং পনঙাকপনা শীন্দুনা মাগী য়ূমদা লাইনিংথৌ লাক্তুনা মমা মচাগা উনখ্রে। অপোকপগী মফমদা অমুদোন্না অসুম্না ওইনরকখি -

"পম্থৌ ইবুংঙো, কংলৈ লৈবাক্তদি চীংঙু লাইগা তাইবঙ মীগা তোরোৎ খোদানদুনা লৈবদা মীনা মশীং য়াম্বনা মখোয়না ঐখোয়বু লাকচৈ। ঐবু মপা লৈতবা মচানি হায়দুনা শান্নবা য়াওহন্দে। পম্থৌনা ঐবু নাউয়োক নাউকোনবীরম্লবদি মীনা লাকচরম্লোইদবনি।"

মতিক মপা ওইদনা অঙাং পিশক মহাক্কী মচিন্দগী হায়দোরকপা ৱাহৈশিংদুনা অপোকপগী থম্মোয়বু শুমহৎখি। মপারীবু নুংশিনা চেৎনা কোন্দুনা অহিং অদু মখোয় অহুম অৱাং পনঙাকপগীদা লেনমিন্নখি। মতৌ অসুম্না চীংঙু খোয়ুম লাইগী মতিক ময়াই চেল্লবা অমুদোননা অপোকপা পম্থৌগা শকউনবা ফংজখিবগী থাজ ৱারীসিদা অঙনবা মতমদা ওইরম্বা খুন্নাই অসিগী মশক উৎপগা লোয়ননা থৌনা অমসুং নীংহন্নদবনা অনীংবা থুংবা ঙম্মী হায়বগী মমল য়াম্লবা পাউজেল য়াওরি। ●

# ১৯৩৯ নুপী লানগী মতাংদা কমরেড ইরাবত

**(ৱারেং অসি ইরাবত মশানা ইরম্বা অনৌবা যুগ চেফোং ১৯৪৭কী ৩৪শুবা মশিংদগী লৌখৎচবনি)**

- সোটিনকুমার -

নীংশিংলি ঙসি কুমজা ১৯৩৯, ডিসেম্বর বিদেশী মারৱারী শেঞ্জাও পায়বা খরনা চেঙ লৌদুনা কারবার তৌরকই। মণিপুরগী লৌউবা লিশিং-লিশিংনা নোংজু নুংশা খাক্তুনা লৌ উরগা লোকচবা ফৌ, মণিপুরগী নুপী নুপা চংনা চেঙ তমদুনা চেঙ অদু মারৱারী চেঙ ললোনবশিংনা মখোয়তনা মপান্দা চেঙ থাদুনা শেন্দোং চাওনা-চাওনা ফংলকই। মখোয়গী মখায়াত্তগী পাথবা খরদং মণিপুরগী ফৌশু-চেংশু তৌবা, চেঙ তম্বা অমসুং লৌউবশিংনা য়েন্নদুনা ফংই। অসিদসু শেঞ্জাও পায়বশিংনা পেন্দে। মণিপুরদা চেঙ তক্লবা কল (মিল) লিংখৎলে ফৌ লৌরে চেঙ তকপা হৌরে। চেঙ তকপীদগী চেঙ লৌদ্রে চেঙ তকপশিং থবক লেপ্লে। অসোমদা মী লিশিং লিশিং থবক শুনিংঙাই লৈত্রে, থবক লৈতবগা লোয়ননা শেল থোক্লবা পাম্বে লৈত্রে। অসুম্না থবক লৈতবগী মীশিং হেনগৎলক্লে। অমরোমদা মারৱারীশিংনা মিল লিংদুনা চেঙ তকখিবনা চেঙ থোক্লবা ফৌ অদু মারৱারীশিংগী মখুত্তা তাখ্রে। মখোয়দা তাইদ্রবদি ফৌ ৱানবীনবা লৈত্রে। অদুনা মিলৱালা খরতনা চেঙগী মপু ওইরম্বদু হৌজিক্তি ফৌগীসু মপু ওইখ্রে, ফৌগী মমলসু মখোয়না ককখ্রে, পোৎ য়োনবনা পোৎকী মমল লেপ্পা ঙমদ্রে অরৈবনা মমল লেপখ্রে। ফৌগী মমল মখোয়না লেপখিবনা লৌউবা অপুম্বা মখোই শেল পীদুনা নেক্তুনা উহনবা তাখ্রে। অসুম্না মণিপুর অপুম্বগী প্রাজানা থৱাই হিংগদবা চেঙ ফৌ অমসুং লৌউবশিংগী থবক পুন্নমক শেঞ্জাও পায়বা মী খরতগী মখুত্তা পুল্লে লৈখ্রে। অদুদগী থোরকপা ফলনা মণিপুরদা থবক শুনিংঙাই লৈতবগী মীশিং হেনগৎলকপা অদুনা অর্থনীতিগী অবস্থাদা ফত্তবগী খম থেংলকপা, লৌ উদুনা জিবীকা হিংবা মী লাখ-লাখকী হিংনবা পাম্বে লৈতবা, মণিপুর অপুম্বগী ফৌ চেঙগী মপু মখোয়তনা (মিলওয়ালাশিংনা) ওইখিবনা মণিপুরগী চানবা চরা তমনা পিজবা অদুনা ডিসেম্বরগী তাং ১০ অমসুং ১১ পোইনুদা মণিপুরগী কৈথেলদা চেঙ ৱানবা ফংদবা চরা হেনবা য়ৌখি।

**মহিলাশিংগী লাল :** অসুম্না মণিপুরগী প্রজা পুন্নমক চরা হেন্দুনা শিরগদবদগী কন্ননবা নুপী লালনি। মণিপুরবু শেঞ্জাও পায়বশিংগী মীহাৎপা নীতিশিংগী কন্ননবা নুপী লালনি। মণিপুর মহিলাশিংগী দাবী:-

১) মতম অদুদা প্রজানা চরা হেন্দুনা শিগদবদগী কন্ননবা মণিপুর লৈঙাক্লা হুকুম তৌবীদুনা মণিপুরদগী মপান্দা চেঙ থাবা মতম খরা থিংবীখো।

২) শেঞ্জাও পায়বা মী খরতনা মণিপুরগী লায়রবা প্রজা খুনেক মী লাখ-লাখ হাৎপা কন্ননবা চেঙ তক্লবা কলনা চেঙ তকপা তোকউ, কল লৌথোকউ। দাবীশিং অসি মতম অদুগী ষ্টেট দরবারনা পুরা তৌদবা, থুনা মহারাজদা টেলিগ্রাম তৌদুনা মহারাজগী সনা য়াথং লৌনবা হোৎনদবদগী চরা হেল্লিবী চানিংঙাই চেঙ লৈত্রবী নুপী লিশিং লিশিংনা মতম অদুগী দরবার প্রসিদেন্ট পুদুনা টেলিগ্রাফ ওফিসতা টেলিগ্রাম তৌহনখি।

**সঙ্গিন পবর্ঘ্ন** – শ্রীযুৎ মহারাজগী টেলিগ্রাম ঙাইদুনা লৈরি। চরা হেল্লবী নুপী লিশিং-লিশিং লৈরি। বৃটিশ এজেন্ট মি: সার্পকি চাক চাবা খরা থেংবগী মাবু বঙ্গালা তান্না পুনবা খুৎলায় পায়বা অসাম রাইফলসকী সিফাইশিংনা নুপী মরক্তা সঙ্গিল চার্জ।

**শাসকশিংগী মীনোক** – নুপী নুপা অপুম্বা মনিং থুংদবগী নুঙাইতবা, মমা মন্দোনশিংদা লৈবাক্কীদমক মশাগী ঈ কত্তুনা ওন্দুনা লৈবগী অচাকপা মৈনা হৌরকপা মতম অদুদা নোংমৈ পায়বা সিফাইনা কোয়দুনা টেলিগ্রাফ ওফিস মনুংদা চৌকীদা ফম্লগা মতম অদুগী দরবার মেম্বরশিংগী মীনোক ঙসি ফাওবা নাকোংদা লৈরি হন্থদ্রি। সম্রাজ্যবাদকি নীতিদা মপুংফানা দিক্ষ্যা ফংলবা সেবকশিংগী মুর্ত্তি কায়দ্রি ঙসি ফাওবা লৈরি। মীনোক অদুগী মনা পীবা মণিপুর প্রজানা কাউগদবা নত্তে।

**মহিলাশিংগী অহনবা লৈতবা আন্দোলন** – মতুং নোংমা কোনবদগী মশিং লাকপা ঙমদবা মণিপুরী মহিলা পৈরে মিল লেপহন্নবগী ৱাশক লৌরে, মণিপুরগী বাজার হরতাল তৌরে। মহিলাশিংগী অকনবা অন্দোলননা মিল লেপ্লে, চেঙ থাবা থিংবগী হুকুম তৌদ্রি। শ্রীযুৎ মহারাজ লেংলক্লে, মহিলাশিংগী দাবী পুরনগী সনা য়াথং ফংজদ্রে। মহিলাশিংগী স্লোগান -"ঐখোয়গী নিংথৌ নৎত্রে, শেল লৈবা মারৱারীগী নিংথৌনি" হায়বা খোল্লাওনা মণিপুর নিল্লে। মাইকৈ শিনথুংনা অন্দোলন হৌরে। মারৱারীদা দুকান্দা চেঙ তম্লবা কারকপা ফৌ চেঙগী গাড়ি থিংলে।

**ষ্টেট সরকারগী দমন নীতি** – ফৌচেং থিংবগী মহিলাশিং ফাদুনা জেল পিরক্লে। মহিলাশিং লেপ্পা লৈতে। মাইল ২০ গী অমসুং অরাপ্পা লমদা টোল ষ্টেসন থুগাইবা হৌরে মখোই অদুসু ফারে। ফারিবা মহিলা থাদোক্লবা খোল্লাওগা লোয়ননা অতৎ অখম লৈতনা মাইকৈ মরিদগী মহিলা লাক্লে। সরকারগী দমন নীতিগী অহনবা লৈতে। মহিলাগী মথক্তা খোঙপাক্লা কাউরে হায়বগী অকনবা মৈরি চাক্লক্লে। ষ্টেট সরকারনা মাগী ওঝাগী পাওতাক হিগাইৱা থাজিনবা হৌরে মহারাজদা হঙ্গৎলে-"ঈশিং ইমায় লৈরে।"

**মহাসভাগী লৈথোকপা নীতি** – মারৱারী শেঞ্জাও পায়বা অমসুং সরকারগী মতেং পাংবা অসুম্না লৈবাক্কী হিংনবা শেঞ্জাও পায়বগী মখুত্তগী লাইরবা লৌউবনা হিংনবা মীওইনা পানবা ঙম্নবা অন্দোলন্দা মহাসভাগী ৱার্কিং কমিটিনা মেম্বর পুন্নমক্তা অন্দোলন য়াওবা য়ারোই হায়বগী মওং ওইনা নোটিশ কৌরগা তুমিন্না দেশ দেশা তৌবগী লক্ষন উৎলমই। অসিগুম্বা হুরানবা নীতি অসি শ্রীযুক্তা ইরাবত সিংহনা মণিপুরদা চুমথোক্লবদা কমিটিগী মীশিং অয়াম্বনা য়াখিদে। শ্রীযুক্তা ইরাবতগা কর্ম্মি খরগা মণিপুর প্রাজা সম্মেলনী লিংদুনা অন্দোলনগী অকনবা শরুক লৌখ্রে। শ্রীযুক্তা ইরাবত সিংহ, কুলবিধু, অমুসেলুং, বিদুর, লাইখুরাম ইবুংঙোহল, লম্ফেল নচিংবা নুপা কয়া শ্রীযুক্তা তোঙ্গৌ, রজনি, খোংনাং, লৈবাকলৈ, শবীনচিংবা নুপী কয়া ফাখ্রে। অথেংবা অন্দোলন হৌরে, শোভাযাত্রাগী মথংদা শোভা যাত্রা সহরদা পিকেটিং, ষ্টেটকি আইন অমান্য অন্দোলন হৌরে, পাৎ নৈদুনা ঙাফারে, রিজার্ব চীংদগী শিং য়াল্লে। অসোমদা মহারাজগী ৱার্কিং কমিটিগী তরফতগী শ্রীযুক্ত ললিত মাধব শর্ম্মনা অসামগী চেদা (খবর কাগজদা) অন্দোলন্দা মতেং পাংবা শাদুনা শেল খাই। অদুগা শ্রীযুক্তা মাঘ সিংহগা লোয়ননা মহিলা নিংথিনা উজন তাদ্রিবী নুপী খরগসু সহী তৌহন্দুনা চেঙ উশনা থাবীয়ু হায়দুনা দরখাস থাদুনা চেঙ থাবীগনু হায়বগী বিরুদ্ধদা লেপ্তুনা থাঙ্গেশেংনা ষ্টেট সরকারদা মতেং পাংবা চরলদা চৎলমই। অমরোমদা মরাল লৈত্রবী নুপী কয়াবু নুংঙাইতনা লৈরিবী নুপীশিংদা হায়জিন্দুনা মীওইবগী ইকাইবগী অথেংবী য়ৌনা পিনবা শিনখি। নেতাশিং অদুবু মণিপুরগী নুপী নুপা পুম্বনা কাউদে।

**মহিলাশিংগী জয়** –অসিদসু অহনবা লৈতনা ষ্টেটকী দমননীতিগী বিরুদ্ধদা মহিলাশিংগী অন্দোলন্দা তারকই। সরকারগী নিভেদ নীতি হিগাইৱা মাঙহনখি। দমন নীতি অত্যাচার কয়া খাংদুনা চেঙ থাবা থিংবা, চেঙ তক্লবা কল লেপহনবগী অন্দোলন জয় ওইখি। মণিপুর মহিলা সম্মেলনীগী জয়গী ফিরালনা মণিপুরগী নামীবা নুংশিৎকা ইরোয়ননা পাইখি। ●

## ষ্টেটকী পাউ

### আর কে রামেশ্বরগী অপুনবা লন-থুমগী শেনফম ...

*লামায় ১গী মখা...*ঐচ দি এফ সী বেঙ্ককী একাউন্টদা লুপা ৯,০৬,৮৬০ লৈখি। লোয়ননা মহাক্কী লোয়নবীগী বেঙ্ক ওফ বরোদাগী একাউন্টদা লুপা ২,২৭১ লৈখি। অনীশুবদা ঐচ দি এফ সী বেঙ্ককী একাউন্টদনা লুপা ৭৩,৬৫৪ লৈখি।

মহাক্কী মীংদা তোঙান-তোঙানবা পোলিসিশিংদা লুপা ৪,৯৫,৯৭৪; লুপা ১২,৬৮,০১৫; লুপা ২০,৩৩,৯১৫; লুপা৮,৭৫,৯২৪; লুপা ৪,৪৫,৮৩৫; লুপা ৪৫,৮৯৪; লুপা ১,৩০,৬২৫; লুপা ১,০২,২০০; লুপা ৪,০২,৪১৭; লুপা ৫০,০০০; লুপা ১,০৪,৫০০ অমদি লুপা ৩,৫০,০০০ ইনভেষ্টমেন্ট তৌখি। লোয়ননা মহাক্কী লোয়নবীগী মীংদনা এল আই সী পোলিসিদা লুপা ১৭,৮৪,২৮৮; লুপা২,০৮,৭৯৪; লুপা ৫,০০,০০০; লুপা ১০,৫০০; লুপা ২,১৪,০৭৪; লুপা ৩,৯৩,৭৫০; লুপা ৯১,২৫০; লুপা ৬,১৩,৪৮১; লুপা ৪,১৭৫,৫০; লুপা ১১,৯০,৯৮১ অমদি লুপা ৫,৯৩,৫৪০ ইনভেষ্ট তৌখি। মহাক্কী মীংদা কুমজা ২০১৫দা চাওরাক্লা টাটা অমমমদা লুপা ১৯,৬২,৯৩৪ লোম টাটা ১৫ টোনগী ট্রক অহুম লৈখি। চহী অসিমক্তদা চাওরাক্লা টাটা অমমমদা লুপা ২৩,৮৮,৭২২ লোম ওইগদবা গাড়ি অহুম লৈখি। কুমজা ২০১৯দা চাওরাক্লা লুপা ৫,৭০,০০০ লোম ওইগদবা কম্পেক্টর অমা লৈখি। কুমজা ২০০৬তা চাওরাক্লা লুপা ২,১০,০০০ লোম ওইগদবা গেটজ কার অমা লৈখি। কুমজা ২০১৫দা চাওরাক্লা লুপা ১৬,৮৩,৯৩৬ লোম ওইগদবা মহিন্দ্রা এক্স য়ু ভি অমা লৈখি। কুমজা ২০১০দা চাওরাক্লা লুপা ৮,২৮,০০০ লোম ওইগদবা ভেন্টো কার অমা লৈখি। কুমজা ২০১৭তা চাওরাক্লা লুপা ৮,০৭,৬৯৬ লোম ওইগদবা মহিন্দ্র বোলেরো অমা লৈখি। কুমজা ২০১৯দা চাওরাক্লা লুপা ৩১,৯৬,০০০ লোম ওইগদবা টোয়োটা ফোরচুনর অমা লৈখি। লোয়ননা মহাক্কী লোয়নবীগী মীংদনা কুমজা ২০১২দা চাওরাক্লা লুপা ৭,৮১,০০০ লোম ওইগদবা পাজেরো অমা লৈখি। কুমজা ২০১৪দা চাওরাক্লা লুপা ৬২,৭৮০ লোম ওইগদবা প্লেজর অমা লৈখি। কুমজা ২০১২দা চাওরাক্লা লুপা ৪,২০,০০০ লোম ওইগদবা অশোক লেলেন্দ অমা লৈখি।

মহাক্কী মীংদা চাওরাক্লা লুপা ৬০,০০০ লোম ওইগদবা সনাগী চেন অমা অমদি চাওরাক্লা লুপা ১৫,০০০ লোম ওইগদবা সনাগী খুদোপ অহুম লৈ। লোয়ননা মহাক্কী লোয়নবীগী মীংদা চাওরাক্লা লুপা ৯০,০০০ লোম ওইগদবা সনাগী নেকলেস, চাওরাক্লা লুপা ৪৫,০০০ লোম ওইগদবা সনাগী খুদোপ অহুম, চাওরাক্লা লুপা ২০,০০০ লোম ওইগদবা সনাগী ইয়র রিং অমদি চাওরাক্লা লুপা ৮০,০০০ লোম ওইগদবা সনাগী বঙ্গলেস মরিসু লৈ। মহাক্কী মীংদা লাইসেন্স গনদা পিষ্টোল পোইন্ট ৪৫ অমদি পিষ্টোল পোইন্ট ৩৮০ বোর অমসু লৈ। লোয়ননা মহাক্কী লোয়নবীগী মীংদসু লাইসেন্স গন ওইনা পিষ্টোল পোইন্ট ৩২ বোর অমা অমদি এস বি বি এল/দি বি বি এল অমসু লৈ। আর কে রামেশ্বরগী অপুনবা লন-থুমগী শেনফম অসি লুপা ৫,৭০,৭০,২৬১ ওইখি। অদুগা মহাক্কী লোয়নবীগী অপুনবা লন-থুমগী শেনফমনা লুপা ১,০৪,৮৯,৬১৩ ওইখি হায়রি।

মহাক্কী মীংদা এগ্রিকলচরেল লেন্দদা ময়াং ইম্ফালদা একর ২.৫ অমদি একর ২.৫; তাউবুংখোক্তা একর ১.০৯; মোংশাঙ্গৈদা একর ১.৭৬ অমদি একর ১.৭০ অমসুং নিংঙোম্বমদা একর ০.৪০৯৯৯ অমদি একর ১.৭৫৯৯ লোম পাকচাওবা লম লৈ। লোয়নবীগী মীংদসু তাউবুংখোক্তা একর ১.০৯; একর ১.১৬ অমদি একর ১.৫১৯৯ লোম পাকচাওবা এগ্রিকচলরেল লেন্দশিং লৈ। মহাক্কী মীংদা নন-এগ্রিকলচরেল লেন্দদা নোংপোক ইংখোলদা হেক্টর ০.০৪৯৩; চাঙাঙৈদা একর ০.১৫; নিংঙোম্বমদা একর ০.৫১৫৯৯; থাংতেক্তা একর ০.৩১; চঙাঙ্গৈদা একর ০.১৮১৫৯; একর ০.১২১৬; লাংজিং অচৌবদা একর ০.০৮৫; চঙাঙ্গৈদা একর ০.১৬৩; খ্বাই ললাম্বুংদা একর ০.০২৪৭১; একর ০.০২৭৪৮; একর ০.০২৭৩ অমদি নিংঙোম্বমদা একর ০.২৩ লোম পাকচাওবা লমশিং লৈ। লোয়ননা মহাক্কী লোয়নবীগী মীংদসু তাউবুংখোক্তা একর ০.৩৮৩৩ অমদি একর ০.৩৮৩৩; চঙাঙ্গৈদা একর ০.০১৪ অমদি একর ০.০১৪ অমদি খ্বাই ললাম্বুংদা হেক্টর ০.০১৬২ লৈ। মখোয় অনীগী মীংদা কর্ম্মসিএল বিল্ডিং অমত্তা লৈতে। মহাক্কী মীংদা অসামগী বেলটোলাদা স্কৱার ফিট ১২৩৪; ন্যু দেল্লিগী কৃষ্ণ নগরদা স্কৱার ফিট ৫৩৯.৭১ অমদি চঙাঙ্গৈদা স্কৱার ফিট ১৩২০৬.৯৫৬ লোম পাকচাওবা লমশিংদা রেসিদেন্সিএল বিল্ডিংশিং লৈ। মহাক্কী টোটেল ওফ মার্কেট ভেল্যু অসি লুপা ৩,৪৩,১৫,৩৬১ ওইখি। অদুগা মহাক্কী লাইএবিলিটিজনা লুপা ১,৬২,২৩,৮৮৩ ওইখি। মহাক্কী মীংদা পেন্দিং ক্রিমিনেল কেস অমত্তা লৈতে। লোয়ননা কুমজা ২০২০-২১গী লাষ্ট ইনকম টেক্স রিটর্ন ফাইল্ডগী রিপোর্টকী মতুংইন্না মহাক্কী টোটেল ইনকম অসি লুপা ৩৮,৮২,০৬০ ওইখি অদুগা মহাক্কী লোয়নবীগীনা চহী অসিমক্তা টোটেল ইনকম অসি লুপা ৯,৪৫,২৬০ ওইখি হায়রি।

### খুরাই অহোঙপুংগী লাইফমলেন মাঙখিবা ...

*লামায় ১গী মখা...* কন্নবা হোৎনবদা ষ্টেট আর্কিওলোজি অমদি দিরেক্টোরেট ওফ আর্ট এন্দ কলচরনা হোৎনদুনা লাক্লিবনি। মতমদুদা ভৈগো অমসুং সুশিলাগী মতমদগী হোৎনদুনা টেলিশিং কৌবদা লাকউ য়াদনা লৈরক্লিবনি। অদুবু হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসি মরমদম্বু নুংশিবা, কন্নীংবা লৈঙাকনি হায়না লৌজে।

খুরাই অহোঙপুং হায়বসি থেংনা কৌরকপা, খঙনরকপনি। খুরাই অহোঙপুং অসি খুরাই মেন খুংকোইশঙ হায়বনি। লাইরেম্বী মরিনা চীরেল হুইগা থাবা পুং, মালেম অসি লিকহন, নাহন্দবগীদমক্তা মালেম অসি শেল্লকপা মতমদা ঈশিং ঈচেল লৈরিবা ঈপাক ঈচাও অসিদা কংলা নল্লকপা মতমদা নমথরক্তনবগীদমক্তা লাইরেম্বী মরিনা শিংঙেল হুইগা থাবা মফমনি। শৌবোম লাইরেম্বী ইমানা খালৈ তৌতাবা মফমনি। মসিদা পানবা মহৈ মরোং পুন্নমক য়াম্না ফবা, কায়বগী লোইবা লৈতবা, অহোঙ অচাও য়াম্না ফংবা মফম, অহোঙ অচাও য়াম্না লৈবগীদমক্তা অহোঙপুং হায়না খঙনবনি। কংলা চুকখোং ওইবা মেন অহোঙপুংনি। মতমদুদা লৈরম্বা লৈপুংসি কাগে হায়বদা য়াদবা অহলশিংনা থিংলম্বা অদু ঙসিদি থুগাইদুনা অতোপ্পনা মহুৎ শিনখিগনি। কায়বা মাঙবা য়াদ্রবা লাইফমলেন, অতোপ্পা লাইনীংগী মফম ওইবসু য়াদ্রবা অহকপা মফমনি। অদুগা হোংদোক হোংজিন তৌবসু য়াদবা লাইফমলেন অসিবু কনবা কন্দবা হায়বসি লমদমসিগীদি লাইবক থীবা অমসু ওইরিবনি। হান্নদি উমং ওইনা লৈরম্বনি, হৈক্রেং পাম্বী কয়া হৌরম্বা পুংনি। মসিদা মরূ মরাং ফূক্লা তেমদুনা ঙসিগী উরিবা লাইফমলেনগী শক্তম অসি থম্মোয় শোক্লীংঙাই ওইরে হায়খি।

### সোসল ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্টকী ...

*লামায় ১গী মখা...* থৌরমসিদা শরুক য়াখিদে। অহানবদদি মিনিষ্টর মশানা চীফ গেষ্ট ওইগনি হায়না থাজনরুবদগী দিসএবল কয়ানা অহিং নুংথিল খঙদনা মিনিষ্টরগী মফমদা উৎনবা শারিবা পোৎলমশিং উহনবা ফংদবা অসি ঐখোয়গী ওইনদি লাইবক থিবনি।

ঙসিগী প্রোগ্রাম অসিবু শরুক য়াবা লাক্লিবা মীওইশিংদা ওর্গনাইজেসন অসিগী সাইদতগী অঙম্বা মতেং খরা পাঙগনি। ওর্গনাইজেসন অসিনা ঙসি ফাওবা চথরকপা থবক থৌরম খুদিংদা লৈঙাক্কী মতেং ফংদ্রি। মসিনা মরম ওইরগা পোত্থোক হেন্না পুথোক্লবা হোৎনবা মতমদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। অসিগুম্বা ময়াম অসি লৈঙাক অসিনা খঙবীরগা মখোয়না তৌজরিবা অসিদা হেন্না মতেং চঙদুনা মখোয়বু পুক্লিং থৌগৎহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি। থৌরম অদুগী মনুংচন্না দিসএবল ওইরবা মীওই কয়ানা মশানা শাজবা পোৎলম কয়া মীয়ামদা উহনখি অমদি দিসএবল ওইরবা মীওইশিংদা দি দল্লিয়ু দি এনা ইকায় খুম্নবা উৎতুনা অচম্বা খুদোল তমখি। থৌরম অদুদা তাকয়েল জিলা পরিষদকী মেম্বর ঙাশেপম বিমোলানা অথোইবা মীথুংলেন, দি দল্লিয়ু দি এগী প্রসিদেন্ট থোকচোম সরজুনা থৌরম মপু অমদি চাইল্ড স্পিসিএলিষ্ট লোংজম বশন্তনা অমসুং তাকয়েল জি পিগী প্রধান খাইদেম প্রিয়োবালানা অখন্নবা লেঙবীরকপশিং ওইনা শরুক য়াখি।

### ঙসি ফাওবগী মনুংদা লংলা লংজিন পুথোক্ত্রবদি...

*লামায় ১গী মখা...* লম্পাক্তা মীয়ামগী মীফম পাঙথোক্তুনা জে এ সী শেমখ্রে। লৈঙাক্কী ফোর্স অমা মাঙখিবা অসিগী মতাংদা লৈঙাক্কী মথক্তা খোঙজং কয়ামরুম চঙশিন্নবা ৱারেপ্পখ্রে।

মীফম অদুদা ৱা ঙাঙখিবশিংনা ফোঙদোক্লখিবদা থা অসিগী ২০গী নুমিদাংদা মাঙখিবনি থা অসিগী ২২ ফাওবা মহাক্কী মোবাইল ফোন রিং চৎলম্মী। করিগীদমক লৈঙাক্কী য়াথং অমা পুরগা চৎখিবা য়ুনিফোর্ম শেৎপা সিক্যুরিটি অমা মাঙখ্রগা ঙসি ফাওবা থিরি-থিরি হায়রগা লৈশিনবীরিবনো হায়না হংলদুনা ৱার ওন দ্রগসকী লান্মী অমা মাঙলগা থৌৱা শাবীদবা হায়বসি লাইবক থীবনি হায়খি।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী চীফ এদভাইজর ৱাংখেমচা শ্যামজাইনা ফোঙদোকখিবদা ৱার ওন দ্রগসকী পোপি য়ানবা চৎখিবা য়ুনিফোর্ম শেৎপা সিক্যুরিটি অমা মাঙখিবদা করিগীদমক্তা অসুক চাওখ্রবা ষ্টেট ফোর্স অসিনা তূমিন্না লৈগদৌরিবনো, নুমিৎ ১০নি শুরবা ফাওবা কৈদৌদুনা লৈবনো, পুলিসকী থৌওং অসি য়াম্না পেন্দে। হীরম অসিগী মতাংদা এস পি অমদি দি জি পি ৱারী শানরে, চীফ মিনিষ্টরগসু ৱারী শানরগনি। হন্দক্কী মতাং অসি য়াম্না পেন্দে। ৱার ওন দ্রগসকী পোপি য়ানবা চৎখিবা অমা মাঙবা হায়বসি ষ্টেট লৈঙাক্লসু অরৈবা ইক্বিপমেন্টশিং শীজিন্নদুনা থিগদবনি হায়খি।

মীয়ামগী মীফম অদু লোইরবা মতুং পাউমীশিংগা উন্নবদা জে এ সী ওফ মিসিং এন প্রেমানন্দগী কনভিনর এন ৱাংলেন মৈতৈনা পাউমীশিংদা ফোঙদোরকপদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী চকপীকারোং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ফাইসি ভিলেজদা পোপি য়ান্থৎপা চৎখিবদগী ঙসিফাওবা মফম খঙদনা লৈরিবা ভি দি এফ পর্সনেল প্রেমানন্দবু থাসিগী ৩১ ফাওবগী মনুংদা লৈঙাক্লা লংলা লংজিন পুথোক্ত্রবদি নুমিৎ অসিগী অহিং নোংয়াইদগী মতম কক্তনা মখল মখা কয়াগী অকনবা খোঙজংশিং চঙশিল্লগনি হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, মণিপুর লৈঙাক্লা পায়খৎলকপা ৱার ওন দ্রগসকী শরুক অমা ওইনা চকপীকারোং পি এসকী ফাইসি ভিলেজদা থা অসিগী ১৬তগী পোপি য়ান্থৎপা চৎপদা য়াওখিবা ভি দি এফ পর্সনেল এন প্রেমানন্দবু থিবা খঙদ্রে হায়দুনা থাসিগী ২১দা দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী রিপোর্ট পীরকখি। নুমিৎ অদুদগী ঙসি ফাওবা লৈঙাক্কী ওইবা অচুম্বা অশেংবা লংলা লংজিন পুথোকপা ঙমদ্রিবা অসি থাসিগী ৩১ ফাওবদা পুথোকপীগদবনি। করিগুম্বা পুথোকপা ঙমদ্রবদি নুমিৎ অসিগী (জন্যুৱারী ৩১) গী অহিং নোংয়াইদগী মতম কক্তনা মখল মখাগী অকনবা খোঙজং কয়া মণিপুরদা লৈরিবা ক্লবস, ওর্গনাইজেসন্স, এসোসিএসন্স, মৈরা পায়বী লূপশিং অমদি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়াগা লোয়ননা চঙশিল্লগনি হায়খি।

ঙসি অয়ূক্তগী হৌনা মীয়াম অমদি ক্লবনা শিন্দুনা ওক্রম য়ুথ ক্লব থৌবালগী লম্পাক্তা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা ওল মণিপুর ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী মীহুৎশিং, ক্লব, মৈরা পায়বী লূপশিংগী মীহুৎশিংসু শরুক য়াখি।

পাউচে অসিদা ফোংডরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।